ফ্রী আই কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : পাখংবা সর্ভিস, হেদ ওফিস নোংমৈবুং নাম্বম চুথেক ইম্ফাল ইষ্টকী মখাদা লৈবা মণিপুর ফাইনান্স সর্ভিসনা এন মংলেম চেরিটেবল আই ক্লিনিক লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমদি লোইতাং খুনৌ য়ুথ স্পোর্টিং এসোসিএসনগা পুন্না খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা লেম্না মীৎয়েং লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং লোইতাং খুনৌ মমাঙ লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

পাখংবা সর্ভিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোকচোম রাকেশনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হিদাক-লাংথকসু য়েন্থোকখি। মীওই ১৪০ হেনবনা মীৎকী অনাবশিং লায়েংখি। লেম্না মীৎ লায়েংবা অমদি হিদাক লাংথক য়েন্থোকপগী থৌরমসি মীয়ামগী খন্দুনা পাঙথোকপনি। চীং অমদি তম্পাক্কী মফম-মফমশিংদা চৎতুনা পাঙথোকখিগনি হায়না ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট গুনিন্দ্রো খাঙেম্বমনা ফোঙদোকখি। লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পাংবীবগা লোয়ননা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

মৈ মমগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : জঙ্গল কট্টিং তৌগদবা মরম্না ১১ কে ভি আর এম সী ওল্ড ফীদর হয়েং অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। ফীদর অসিনা কোনবা কঞ্জুমরশিং হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না আই ঈ দি-টু, এম এস পি দি সী এলগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

উচেক লাং ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : ইকোপ পাৎ অমদি তেন্থা অথোকপম এরিয়াদা ড্রাইভ চথবদা ঙরাং উচেক লাং অনী অমদি উচেক অহুম ফাগৎপগা লোয়ননা উচেকশিং অদু মশা তেকখৎনবা হিদাক পীরবা মতুংদা ঙসি অয়ুক শাফগদবা মফমদা থাদোকখ্রে হায়না ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি রোমেশ নিংথৌজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

উচেক অহুম অদুগী মনুংদা মকু অমা, চেক্লাওবী অনী য়াওরি। উচেকশিং অদু থাদোকখ্রে। ফাগৎলবা লাংশিং অদুনা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে। দব্লিয়ু বি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা, লন্নক্কী শা-উচেক কয়ানা ঐখোয় মীওইবদা পীরিবা কান্নবা কয়াগী মতাংদা এৱ্যের্নেস কয়া পাঙথোকখ্রে। কাচিন-কোয়া কয়াদা এৱ্যের্নেসকী মমি তাদবা অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লন্নক্কী শা-উচেক কনসি। অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মশা লোয়শঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল) গী প্রসিদেন্ট ইমা টি ঐচ ইবেয়াইমা অমদি করাম মৈরা পায়বী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট ইমা অকাশিনিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা মীফম অমা থা অসিগী ১৫দা করাম ইথৌ নোংশাবগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে হায়না নিম্পালগী সেক্রেটরি জেনরেল শান্তি লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অদুদা ৱারেপ অনী য়েৎনবা লৈতনা লৌখি। করাম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ অসি নিম্পালগী মশা লোয়শঙ ওইরে হায়না মোত অমত্তা ওইনা লেপ্পখি। নিম্পালনা চঙশিল্লকপা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়াদা করাম মৈরা পায়বী অপূনবা লূপনা হনবা লৈতনা চঙশিনবা হায়নসু মোত অমত্তা ওইনা লেপ্পখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : এফ সী আই, এফ এস দি জিরিবামদা চহী ৭ কী মমাঙদগী চেঙ হোন্দুনা হিংজরক্লিবা সোরাইশম ইবোতোম্বীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি লেবর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি রোমেন্দ্রজিৎ মোইরাংচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈজবা ঙম্লবগীদমক এফ সী আই, এফ এস দি জিরিবামগী শিন্নীশিং য়াওনা এফ সী আই সঙাইপ্রৌ অমদি সী এ এফ এন্দ পি দি গোদাউন সঙাইপ্রৌগী শিন্নীশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ইন্নর লাইন পার্মিটকী মতাংদা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী ২২ শুবা চহীগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : আই এল পি ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা মণিপুরদা আই এল পিগীদমক চঙশিল্লকখিবা খোঙজংগী ২২ শুবা চহীগী থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন ইবোতোম্বী খুমননা হায়খি, আই এল পিগী খোঙজং ঙল্লিঙৈ মতমদগী লাকখ্রে। য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরনসু মাইগ্রেন্ট ইন মণিপুর হায়বা ফোঙবা লৈখ্রে। কুমজা ১৯৭৯ অমসুং ১৯৮০ দা এমসুগী ফোরেনর ইস্যুগী খোঙজং লাকখ্রবা মতুংদা অপূনবা লূপশিংগী ওর্গনাইজেসন শেমদুনা দোক্যুমেন্টশিং খোমজিন্দুনা কুমজা ১৯৯৭ গী নবেম্বর ১৮ দগী হৌনা পাস সিষ্টেম ওইনা চঙশিল্লকখি। জে সী আই এল পি শেমদুনা খোঙজং লাকখি। মণিপুর এসেমব্লীদা বিল পাস তৌদুনা লৈখ্রবনি। প্রসিদেন্টদা থাখিবদগী ঙসি ফাওবা অয়াবা পীদ্রি। জে সী আই এল পিনা চঙশিনগদবা অদুসু হৌজিক ইস্যু কয়া লৈবনা খরা নাথৈবা মওংদা লৈরক্লি। মণিপুরদা মী অসুক্কী মতিক চঙশিল্লক্লি। মণিপুর লৈঙাক্লা এসেন্ট পীনবা হায়দবসি নুংঙাইতে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা কংলামৈগী প্রসিদেন্ট লৈরিক লৈমনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীল্লুবদগী ঙসিদি তংদুলৈতাদবা কয়া অমা থোরক্লি। মণিপুরগী ফুরুপ ময়াম তীন্নবা য়াদনবা হোৎনরক্লি। এন এস সী এন-আই এমগী পিছ টোক লোইদ্রিঙৈদা সী এ বি অমুক চৎনহন্নবা শান্নরক্লি। চহী ৫ পানগনি হায়না লৈরিবা লৈঙাক্লা মীয়ামদা করেম-কথাইনরগা ঐগী মীয়াম থমগনি হায়বা থাদোক্কদবনি। লৈঙাক্কী থৌওং অসি মমা অমা ওইনা য়াবা ঙল্লোই। পারা তন্বীবা মতম ওইরে। অহুমশুবা নুপীলালগীদমক শেম-শাবা লোইরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কংলৈ ইমা লূপকী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবীনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা অফম্পানা মীওই কয়া হাৎখ্রে। শর্মিলানা চহী ১৬ চরা হেনবদসু লৌথোকখিদ্রে। মীয়ামগী করিসু খন্দবা লৈঙাকনি হায়বা খঙই। মণিপুর চহী লিশিং ২ হেনবগী পুৱারী লৈজবা অমদি নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরকপনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট নাখে শেংদ্রিঙৈদা সী এ বি অমুক পুথোরক্লি। অহুমশুবা নুপীলালগী শেম-শারসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয় কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াদা মর্জ তৌখিবদগী মণিপুরদা অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। মণিপুরদা মীতোপ চঙবগী পার্মিট সিষ্টেম কুমজা ১৯৫০ দা চীফ কম্মিস্নার হমিট সিংহনা লৌথোকপীখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইপাক্কী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, ইন্দিয়াদা তীনখিবদগী মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভম ঙসি ফাওবা লেপত্রি। ষ্টেটকী পাস সিষ্টেম অদু হমিট সিংহনা লৌথোকখি। মণিপুরদা মীতোপ চঙবা য়াবগী অয়াবা পীদুনা থোমজিল্লক্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

য়ুথ ফেষ্টিভেলদা তোঙান-তোঙানবা লমদগী লাকপা নহাশিং পুন্নবগী তাঞ্জা পীরি : গভর্ণর

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু) ইন্টর কোলিজিয়ট য়ুথ ফেষ্টিভেল কম গেমস এন্দ স্পোর্টস মীট ২০১৯ ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হৌদোকখ্রে।

সী এ য়ু ইরোইশেম্বদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, য়ুথ ফেষ্টিভেলনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা নহাশিংবু পুন্নবগী মফম অমা পীরি। সী এ য়ু অসি নোর্থ ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘালয়া, মিজোরাম, সিক্কিম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরানচিংবা কয়াদা এক্সটেন্দ তৌরি। সী এ য়ুনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। অসিগুম্বা মীট অমা পাঙথোকপসিনা নহাশিংগী মরক্তা ঈং-তপ্পা, নুংশিনবা অমদি থবক কন্না শুবগী পাউজেল শন্দোক্লি। মণিপুর অসি শান্ন-খোৎনবগী লমদা থোইদোক হেন্দাক্লা শিংথানিংঙাই ওইবা লমদম অমনি। মণিপুর অসি স্পোর্টসকী লমদা পাৱর হাউস অমনি হায়না খঙনরিবনি। কলচরগী লমদসু থোইদোক হেন্দোক্লা শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি। তোঙান তোঙানবা কেটগোরি কয়াদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লবা শেমগৎপা চঙই। শান্ন-খোৎনবগী লমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অনৌবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলক্লি। একাদেমীক্কী চিল্লবা মতম কয়া অসিদগী কায়থোক্লগা মহৈরোয়শিংনা অসিগুম্বা ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াবা অসিসু অফবা খোঙথাং অমনি। ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিং অমদি টিমশিং অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা কলচরেল টিম ১৩ গী পেরেদ সেল্যুট ওকখি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেট তরেৎতগী কলচরেল টিমশিংনা শরুক য়ারি।

থৌরম অদুদা সী এ য়ুগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এম প্রেমজিৎনা প্রসিদেন্ট ওইখি। সী এ য়ু ইম্ফালগী দিরেক্টর ওফ ইন্সত্রক্সন ডা. এস বসন্তা, প্রোফেসর ইন্দিরা সরাংথেম অমদি প্রোফেসর ৱাই জেকেন্দ্রসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

এ আরগী থৌওং কন্দেম তৌই : এন এস সী এন-আর

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : অসাম রাইফলসকী ৩৭ শুবা বট্টালিয়ন্না কছারদা লৈবা এন এস সী এন (রিফোর্মেসন)গী য়ুম অমদা রেইদ চথখিবা থৌওং কন্দেম তৌই হায়না এন এস সী এন (রিফোর্মেসন)গী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি, গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালেন্দগী রেদীমসন কামৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রেইদ চথখিবা অদুদা এন এস সী এন-আরগী কাদর অনী ফাখি। মখোয় অদুদি, পৌগাংলুং এলিয়স লকি অমদি সাগু রোংমৈনি। অসাম রাইফলসকী ষ্টেটমেন্টতদি মখোয় জেদ য়ু এফকী কাদরনি হায়রি। মখোয় অনী অদু এন এস সী এন (রিফোর্মেসন)গীনি। অসাম রাইফলসনা চথখিবা থৌওং অদু কন্দেম তৌই। থর্দ দিগ্রী টোর্চর চথখি। এন এস সী এন-আরনা সিজ ফায়র গ্রাউন্দ রুল মেন্টেন তৌদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি তুংদা চথবীগনু হায়নসু এন এস সী এন (রিফোর্মেসন)গী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি, গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালেন্দগী রেদীমসন কামৈনা থোকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

এয়রপোর্ট টর্মিনেল বিল্ডিং শাবগী মতাংদা পব্লিক হিয়রিং চথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা অনৌবা ইন্টগ্রেটেদ টর্মিনেল বিল্ডিং অমদি এলাইদ ৱার্ক শেমগৎপগী থবক পায়খৎলক্কদৌরিবা অসিগী মতাংদা পব্লিক হিয়রিং অমা ঙসি চঙাঙ্গৈ কম্ম্যুনিটি, চঙাঙ্গৈ ইম্ফাল ৱেষ্টতা পাঙথোকখ্রে হায়না দি সী ইম্ফাল ৱেষ্ট এন প্রবিনকুমার অমদি মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি টি মঙ্গিনা খুৎয়েক পীবা প্রোসিদিংগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পব্লিক হিয়রিং অদুদা দি সী ইম্ফাল ৱেষ্ট নাওরেম প্রবিননা চ্যেরমেন, দি এফ ও সেন্ট্রেল ইম্ফাল আর কে অমরজিৎ, জি এম (এঞ্জিনিয়রিং), এন ঈ আর, এ এ আই ময়া দেবী, এয়রপোর্ট দিরেক্টর, ইম্ফাল এয়রপোর্ট এম এন অন্সারি, দি জি এম, এস এস রাজু, ঈ আই এ কোওর্দিনেটর বিনোদ কুমার গৌতমনা মেম্বর ওইখি। মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি টি মঙ্গিনা কনভিনর ওইখি।

পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি টি মঙ্গিনা পব্লিক হিয়রিং অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিং অমা এ এ আইনা শেমগৎলক্কদৌরিবা অসিগী মতাংদা দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টনসু ৱাফম কয়া থমখি।

জোইন্ট জি এম, এ কে বন্সালনা ফোঙদোকখিবদা, ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী হৌজিক পেসেঞ্জরগী হেন্দলিং কেপাসিটি অসি হৌজিক্কী মতমদা সফিসিয়ন্ট ওইরক্তে। অনৌবা ইন্টিগ্রেটেদ টর্মিনেল বিল্ডিংগী তঙাইফদবা লাক্লে। ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট ওইরকপনা তোঙান তোঙানবা ফেসিলিটি কয়া থমগদবনি। এয়র কন্দিসন মোদ্যুলর ন্যু ইন্টিগ্রেটেদ টর্মিনেলদা অনৌবা ফেসিলিটি কয়া হাপকনি। মতম অমত্তদা দোমেষ্টিক পেসেঞ্জর ১০০০ অমদি ইন্টরনেসনল পেসেঞ্জর ২০০ পুনবা য়াবগী মফম শেমগৎকদবনি। টেক্নিকেল ব্লোক কম কন্ট্রোল টৱারসু শেমগৎকদবনি। কার লিশিং ১ অমদি বস ১৫ পার্ক তৌবা য়াবা মফমসু শেমগৎকদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

অনৌবা ইন্টরনেসনল টর্মিনেল বিল্ডিং অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া লাক্কনি হায়নসু মখা তাখি।

ওল ইন্দিয়া কোওপরেটিভ ৱীককী থৌরম পাঙথোকখ্রে

‘চাউখৎপা লমদম ওইহন্নবগীদমক কোওপরেটিভ চাউখৎহনবা চঙই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : নেসনল কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ফুদ এন্দ মেদিসনল প্লান্ট প্রোসেসিং এন্দ কোল্ড ষ্টোরেজ কোওপরেটিভ সোসাইটি অমসুং রেজিষ্ট্রার ওফ কোওপরেটিভ সোসাইটিনা শীন্দুনা ঙসি ওল ইন্দিয়া কোওপরেটিভ ৱীক্কী মঙানি চনবা নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ফুদ এন্দ মেদিসনল প্লান্ট প্রোসেসিং এন্দ কোল্ড ষ্টোরেজ কোওপরেটিভ সোসাইটিগী ফেক্টরি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা রিটায়র্দ দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার ওফ কোওপরেটিভ সোসাইটি কে ঐচ তোম্বনা হায়খি, কোওপরেটিভকী মুভমেন্ট কনখৎহনবা হায়বসি য়াম্না মুরওইবা অমনি। চাউখৎপা লমদম অমা পুরক্নবা হোৎনবদা কোওপরেটিভ চাউখৎহনবা চঙই। কোওপরেটিভকী লমদা থবক তৌরিবা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা হিরম অসিদা মাঙজিল থাহন্নবা হোৎনবা য়াম্না মরুওই। কোওপরেটিভ ৱীক পাঙথোক্লিবা অসিগী মরুওইবা পান্দম খঙমিন্নবা তাই। কোওপরেটিভকী পাউজেলশিং মণিপুর শিনবা থুংনা শন্দোকপা চঙই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সব-রেজিষ্ট্রার টি ঐচ দিনমনিনা হায়খি, কোওপরেটিভকী মরুওইবসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নবা তঙাইফদে। তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোওপরেটিভ ৱীক্কী থৌরম পাঙথোকপা তঙাইফদে। দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোওপরেটিভ ওফিসরশিং লৈরি। কোওপরেটিভ হায়বসি চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক য়াম্না মরুওইবা অমনি। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নদুনা খোঙজেল য়াংনা চেন্নবা হোৎনসি। কোওপরেটিভ সোসাইটিশিংনসু নীংথিনা থবক তৌদুনা সোসাইটিবু হিংহন্নবা হোৎনবা তাই। তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা থবক তৌরিবা কোওপরেটিভ সোসাইটিশিংনা নীংথিনা থবক তৌরকপা মতমদা খুন্নাই অসিদা চাউখৎপা পুরকপদা মতেং ওইগনি। কোওপরেটিভ ৱীক্কী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মসিগী ৱাহন্থোক অদু লৈহন্নবা হোৎনবা চঙই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মণিপুর ফুদ মেদিসনল প্লান্ট প্রোসেসিং এন্দ কোল্ড ষ্টোরেজ কোওপরেটিভ সোসাইটিগী মেনেজিং দিরেক্টর রাজেনকুমার রোংমৈনা হায়খি, লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলক্লি। স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা ফংফম থোকপা মীওইশিংদা ফংহন্নবা হোৎনবা তাই। ষ্টার্ট অপনচিংবা প্রোগ্রাম পায়খৎলক্তুনা ওন্ট্রপ্রেন্যুর কয়াদা কান্নবা পীরি। থবক তৌবা পাম্বা মীওই কয়াদা লোন পীরি। মসিনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা অফবা মায়কৈ অমদা লাক্লি। ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং শেমগৎপা হায়বসি য়াম্না অফবা অমনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কোওপরেটিভ সোসাইটিগী রেজিষ্ট্রার রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুমনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর ফুদ মেদিসনল প্লান্ট প্রোসেসিং এন্দ কোল্ড ষ্টোরেজ কোওপরেটিভ সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট দি কে সগোলশেমনা প্রসিদেন্ট অমদি ইনষ্টিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্টকী দিরেক্টর ডা. এন রঞ্জননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। কোওপরেটিভ ৱীক্কী চহী অসিগী থীমনা রোল ওফ কোওপরেটিভ ইন ন্যু ইন্দিয়া হায়বা অসিনি। সব থীমনা ন্যু ইনিসিএটিভ ওফ গভর্ণমেন্ট থ্রু কোওপরেটিভ হায়বা অসিনি।

শঙলেন শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : ৱাইশেল্লাকপা ইদুনিংথৌ লমজিং লূপকী শঙলেন শঙ্গাবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়না ৱাইশেল্লাকপা ইদুনিংথৌ লমজিং লূপকী সেক্রেটরি ওইনাম স্কোটনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ সোভাসচন্দ্র, ৱাইশেল্লাকপা ইদুনিংথৌ লমজিং লূপকী প্রসিদেন্ট সৌগ্রাকপম দিলিপকুমার, ইম্ফাল ৱেষ্টকী অধক্ষা আর কে তরুনি অমদি মোংশাঙ্গৈ জি পিগী প্রধান সিনাম নন্দেশ্বরী, ৱাইশেল্লাকপা ইদুনিংথৌ লমজিং লূপকী এক্স-ট্রেজরর ওইনাম থোইবা, লূপ অসিগী ফোর্মর মেম্বর সৌগ্রাকপম জুগেশ্বরনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা পোষ্টশিংগীদমক ভেকেন্সি এসিষ্টেন্ট উনবা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশতা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা তোঙান তোঙানবা পোষ্ট কয়া কৌরিবা অসিগীদমক ইম্প্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জগী ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি হায়না ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পোষ্টশিং অদুদি দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ মণিপুর/আয়ুশ ৱেলনেস সেন্টরগী হোমিওপেথি ফিজিসিয়ন ৮, য়োগ ইনষ্ট্রক্টর ৮, ফার্মাসিষ্ট হোমিওপেথি ৮, ট্রিটমেন্ট এসিষ্টেন্ট ৮, মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ/পিওন-বি ৮, দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ, মণিপুর/মণিপুর ষ্টেট মেদিসিনল প্লান্টস বোর্দকী কন্সল্টেন্ট (মেদিসিনল প্লান্টস/বাইওটেক্নোলোজি)গী ১, একাউন্ট এসিষ্টেন্ট ১, ড্রাইভর ১, মল্টি-টাস্কিং ষ্টাফ/পিওন ১, দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ মণিপুর/হোস্পিটাল দিস্পেন্সরিগী আয়ুশ স্পেসিএলিষ্ট (হোমিও) ২, আয়ুশ স্পেসিএলিষ্ট (য়োগ এন্দ নেচর কিয়োর)গী ২, হোমিওপেথি ফিজিসিয়নগী ৩, য়োগ এন্দ নেচর কিয়োর ফিজিসিয়নগী ২, ষ্টাফ নর্স ৬, দিরেক্টোরেট ওফ আয়ুশ, মণিপুর/আয়ুশ ৱেলনেস সেন্টরগী হোমিওপেথি ফিজিসিয়ন ৮, য়োগ ইনষ্ট্রক্টরগী ৮, ফার্মাসিষ্ট (হোমিওপেথি) গী ৮, ট্রিটমেন্ট এসিষ্টেন্ট ৪, মাসর ২, চৌকিদার ১, মল্টি-টাস্কি ষ্টাফ/পিওন ৬ নি হায়নসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসরনা থোকপা চেরোলদুনা মখা তারি।

‘বন্দ শরুক য়ারি, ৱাকৎ খোঙজংসু চথগনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : কম্যুনিষ্ট পার্টিনা বন্দ শরুক য়ারি, ৱাকৎ খোঙজংসু চথগনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বি জে পি লৈঙাক্লা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা পুথোক্লবা হোৎনরকপা অমদি নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন লাকপদা মণিপুরদা অকায়বা লাক্কদবা কয়াগী মায়োক্তা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা অরেপ্পা লৈতনা মীয়ামগী ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা লাকপনি। ষ্টেট অমসুং নেসনলগী থাক্তা, পার্লিয়ামেন্ট মনুং অমসুং মপান্দা কেবকী মায়োক্তা খোঙজং চথরি অমদি হনবা লৈতনা থেংনখিগনি। মীয়াম ওৎপা ইনিদয়াগী বি জে পি লৈঙাক মখা পোন্না হিংলিবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক্লা মীয়াম্বু ওৎনবা লৈঙাক পায়রিবনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তসু হায়জবা ঙমদ্রবা, মমৈ লোৎশিন্দুনা লৈবনদি কান্নরোই। থৌনা লৈনা ফম থাদোকপনা হেন্না শাফবা ওইরগনি অমসুং মণিপুর কনমিন্নরসি। ফম থাদোকপা হায়বসি লৈবাক্কীদমক কথোকপা ওইগদৌরিবনি।

ফমবু মীহৌবা কয়া হৌখ্রে অদুবু মীহৌদবা লৈবাক্কী শোথরবা মীয়ামগীদমক খনবা কনা-কনাগুম্বা লৈবাক্কী লুচিংবশিং মালেমগী পুৱারীদা সনাগী কালিনা য়েক্তুনা লৈহৌগদৌরিবনি। মরম কয়াসি লৈবনা সী এম ফম থাদোকপনা খ্বাইদগী তোংজবা ওইরগনি। মীয়ামগা লোয়ননা লৈবাক কন্নবা থেংনমিন্নরসি। ইন্দিয়া লৈঙাক থাজবীরুগনু, মণিপুরীশিংগী মায় ঙাক্কদবা ইন্দিয়া লৈঙাক নৎত্রে। ফম থাদোক্লগা কেব হন্দোকহনসি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফমসু লৈখাই তাদ্রিঙৈদা কেবকী ৱাফম পার্লিয়ামেন্টতা পুথোরক্কদবা ওইবনা ইরৈবাকচা পুম্নমক্নসু খুৎ শেনমিন্নসি অমসুং থৌনা ফুদোকমিন্নরসি। মণিপুরীশিং জেনোসাইদ চথদুনা শুদৎনবা হোৎনরিবা এগ্রিমেন্ট অমসুং বিল অসিগী মায়োক্তা পাঙ্গল লৈনা থেংনমিন্নরসি। মণিপুরগী এম এল এ ৬০ পুম্নমকসু ফম থাদোকপীয়ু। অতৈ ষ্টেটকী এম এল এশিংগুম পাঙ্গল ফুদোকপীয়ু। কেব চৎনহনগনু, বিল পাস তৌগনু, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা ষ্টেটসিদা লৈজরিবা ফুরুপ মশেল নুংশিনহন্দনবা হোৎনরিবসি থোক্তনবা এগ্রিমেন্ট অসি থবক্তা ওন্থোকপা য়াহল্লোইসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ইরাবত ভবনদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌবা য়ারোই হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপনা শীন্দুনা ইরাবত ভবন মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট মৈস্নাম ওংবী শখিনা হায়খি, ঙসিদগী পার্লিয়ামেন্ট ফম্বা হৌখ্রে। মীফম অসিদা সী এ বি পুথোক্কনি হায়বসিগী মীপায়বা ফাওরে। মমাঙদা সী এ বি পাস তৌনবা হোৎনবদা ঈহৌ কয়া হৌখিবনা পুথোকপা ঙমখিদবনি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অসি সী পি আইগী মখাদা ফম্বনি। সী এ বিনা মণিপুরদা চঙলক্নবগী ঙাইদুনা লৈরে। মসি চৎনবা য়ারোই। খোঙজং কয়া চঙশিনখিগনি।

হৌজিক ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মনুংদা করি য়াওরি খঙহল্লু হায়বদা য়াদনা লৈরি। মণিপুরদা ফুরুপকী ওইবা এদমিনিষ্ট্রেসন অনী লৈহনবা য়ারোই। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়নসু মখা তাখি।

জর্নেলগী আর্টিকল কৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ২১শুবা জর্নেল ঈশিং চাইবী ফোঙননবা লমদমসিগী অইবশিংগী মশানা ইবা ৱারেং নৎত্রগা শৈরেংগী আর্টিকল কৌরি হায়না ব্রাঞ্চ অসিগী সেক্রেটরি দ্বিজমনি ইরোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱারেংগীনা ৱাহে লিশিং ১ অদুগা শৈরেংগীনা ৱাহে ১৫০ দগী হেন্দবা ওইগদবনি। ৱারেং নৎত্রগা শৈরেংগী আর্টিকল অমদগী হেন্না লৌরোই। পরিষদকী ওফিসতা য়ৌরক্লবা আর্টিকলশিং অমুক হন্দোক্লোই। চহী অসিগী দিসেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা পরিষদকী চ্যেরমেন বিষ্ণুপুর বজারদা লৈবী খাঙেম্বম নিংঙোল ইবেতোনগী মখুৎতা শীন্নবীয়ু। থেংথনা য়ৌরকপা আর্টিকলশিং লৌরোই। ঈশিং চাইবী হায়রিবা জর্নেল অসিগীদমক ৱারেং অমদি শৈরেংগী আর্টিকলশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 9th December 2019
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19
Time : 11 am to 4 pm

TOPPERS of 2019

1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Singnam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

1ST POSITION 2019

It is an ecstatic moment for me on securing first position in the HSLC - Examination, 2019. Angels' coaching centre has helped me a lot in the preparation of this exam. Indeed, it is one of the best coaching centres in Imphal. Go to Angels and get success in life.
- Bhumika Sh

7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
26/12/19	English
28/12/19	S. Science
31/12/19	Maths
03/01/20	Science
05/01/20	Adl. Sub.
07/01/20	MIL

Last date of Form Submission 17/12/19

PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-P/5783/3-30 Nov. & 1-2 Dec.